**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক্কী মফম পুমমক্তা ঙসি মৈগী কুম্মৈ দিৱালি পাঙথোক্লি। মণিপুরদদি দিৱালি কুম্মৈ হয়েং পাঙথোক্কনি। রাজ্যপাল য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

২) মণিপুরদা নিংঙোল চাক্কৌবা য়াওনা লাক্লিবা কুম্মৈশিংগী য়েংলগা মীয়ামা পোৎ চৈ লৈবদা খুদোংচানবা রাজ্য সরকারনা ঙসিদগী শেরফালাগী নুঙশিং চ্যেক তৌবা হৌখ্রে।

৩) চহি শুদ্রিবা অঙাংশিংবু ময়ুম মকৈ পানবা থিংনবা পান্দমদা নুমিৎ ১০০ নি চথুগদবা ইন্তেন্সিভ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

৪) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ঙসি অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- আই.এন.এস বিক্রান্ট অসি আত্মা নিরভর ভারতকী চপ চাবা খ্দম অমনি।

------

দিৱালি ঃ লৈবাক্কী মফম পুমমক্তা ঙসি মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা মৈগী কুম্মৈ দিৱালি পাঙথোক্লি। মণিপুরদদি দিৱালি কুম্মৈ হয়েং পাঙথোক্কনি।

মৈগী কুম্মৈ দিৱালিনা লাকপদা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- দিৱালি অসি অঙানবনা অমম্ববু জয় তৌবা, অফবনা ফত্তববু জয় তৌবগী খুদমনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয়গী অমত্তা ওইবা, নুংশি চান্নবা অমসুং আশা অমুক হন্না লৈহন্নবা হোৎনবগী মতম ওইরে। রাজ্যপালনা হায়- দিৱালি কুম্মৈ অসি ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনবা অমসুং লু নান্না থম্বগা লোয়ননা হরাউ নুংঙাইবা অমদি অফবা ৱাখল্লোন শন্দোক্নুনা নুংঙাইনা অমসুং দাইত্ব খঙনা পাঙথোকশি।

মহাক্কী পাউজেলদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়- দিৱালিগী মৈগী মৈঙাল অসিনা লমদম অসিদা অমত্তা ওইবগী মপাঙ্গল অদু হেন্না কনখৎহল্লশি। দিৱালিগী মৈঙালনা অমম্বগী মরক্তা আশা লন্বী উৎলি। মৈঙাল খুদিংমকা লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু।

এম.এল.এশিং- শর্বশ্রী য়ুমাম খেমচান্দ, থোঙাম বিশ্বজিৎ, কোংখাম রোবিন্দ্রো, কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন, শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনচিংবনা দিৱালি কুম্মৈনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মরক অসিদা, বিষ্ণুপুর জিলাদা দিৱালি কুম্মৈ পাঙথোকপদা বম্বুলা থাবা থিংখ্রে। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- কনাগুম্বা মীওই নত্রগা ফার্ম অমত্তনা লাইসেন্স য়াওদনা বম্বুলা মৈকাপ্পীনচিংবা থম্বা অমসুং য়োনবসু য়ারোই।

দ্রাইভ (এল)ঃ মণিপুরদা নিংঙোল চাক্কৌবা য়াওনা লাক্লিবা কুম্মৈশিং অসিগী য়েংলগা মীয়ামা পোৎ চৈ লৈবদা খুদোংচানবা রাজ্য সরকারগী ৱেথস এন্দ মিজরস দিপার্টমেন্টনা ঙসিদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা শেরফালাগী নুঙশিং চ্যেক

তৌবা হৌখ্রে। নুমিৎ হুমিগী দ্রাইভ অসি থা অসিগী ২২ ফাওবা চখ্থগনি।

মরক অসিদা, লাক্লিবা হরাউ কুম্হৈশিং অসিগা মরী লৈননা মীয়ামা ইম্ফাল খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল তমা পোৎ-চৈ লৈবা লাকবনা ইম্ফালগী মরুওইবা মফমশিং কা হেন্না চিল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামা চৎথোক চৎশিন তৌবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- গাড়িগী পার্কিং তৌফম মতিক চানা লৈতবনা পোৎ লৈবা লাকপা মীয়ামা প্ৰকপা গাড়িশিং মফম চানা খামদবনা মফম কয়াদা ত্রাফিক জার্ম থোকহল্লি।

হেল্লি (এল)ঃ লাক্লিবা হরাউ কুম্হৈগী য়েংলগা হেল্লিকোপ্তর সার্ভিস নিংথিজনা চলাইবা য়ানবা ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা শেমদোক্লবা সেদ্যুল থোক্লে। ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৫ ফাওবা ইম্ফালদগী জিরিবাম, চুরাচান্দপুর, তমেংলোং, উখ্রুল, চুরাচান্দপুরদগী মুৱালপুই, মুৱালপুইদগী লেংপুই, লেংপুইদগী চুরাচান্দপুর পাইথোক পাইশিন তৌগদবা হেলিকোপ্তর সার্ভিসশিংগী মতমশিংদা অহোংবা অসি লৈগনি হায়রি।

হেল্প লাইন (এল)ঃ রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকা মখাদা লৈরিবা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর **181** অমসুং চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর **1098** অসি য়াখিদ্রে। মীয়ামা অনৌবা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর- **7005776144** অদুগা চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর- **8119918257** না ফোন তৌবীরকবা সোসিয়েল ৱেলফ্যার দাইরেক্তর অননা অরাম্বমনা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি। টেকিকেল এক্সপার্টশিং তান্নদুনা হান্নগী হেল্প লাইন নম্বরশিং অসি অথুবা মতমদা য়াননবা কন্না হোৎনরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

পুজা (এল)ঃ চহি শুদ্রিবা অঙাংশিংবু ময়ুম মকৈ পানবা থিংনবা পান্দমদা নুমিৎ ১০০ নি চখ্থগদবা ইন্তেন্সিভ কেম্পেনগী মতাংদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি

কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা সভানেত্রি ওইদুনা ঙসি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত, চাইল্ড সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসারশিং, নিউ লাইফ ফাউন্দেসন অমসুং তোঙান তোঙানবা ধর্ম্মগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়- চহি শুদ্রিবা অঙাংশিংবু ময়ুম মকৈ পালহনবা হায়বসি আইন্না য়াদে। মরম অদুনা ষ্টেক হোল্ডরশিংনা চৎনবী অসি পুকিং থৌগৎতনবা মীয়ামবু হেন্না খঙহন্নবা হোৎনমিন্নশি। বিষ্ণুপুর জিলাবু চহি শুদ্রিবা অঙাংশিং লুহোংবা লৈতবা জিলা অমা ওইহন্দুনা অতৈ জিলাশিংনা মতৌ তমজনিঙাই ওইহন্নবা হোৎনরশি।

দিৱার্মিং (এল)ঃ  বিষ্ণুপুর জিলাদা নেসনেল দিৱার্মিং ডে থা অসিগী ৩০ দগী হৌরগনি। ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি বিষ্ণুপুরগী চেয়ারপার্সন পুজা এলাংবমনা সভানেত্রি ওইদুনা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কোওর্দিনেসন কমিতিগী মীফমা ৱারেপ অদু লৌখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাহতি বিষ্ণুপুরনা শিনবা মীফম অদু মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা পুজা এলাংবমনা থৌরাং অসিদা শরুক য়ারিবা খুদিংমক্তা জিলা অসিগী চহি ১ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং হেক য়াবা মখৈ কোনশিনবা ঙমবা কৎথোকপগা লোয়ননা তিল লৈহন্দনবা হিদাক পীজবগী খোঙজং অসি চংশিন্নবা তকশিনখি।

ককচিং জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ককচিংনা শিন্দুনা নেসনেল দিৱার্মিং ডে ২০২৫ গী অনিসুবা রাউন্দ ঙসি সোরা হাইস্কুলদা হৌদোকখ্রে। মসিগী থিমনা ইলিমিনেট এস.টি.ঐচ, ইনভেষ্ট ইন এ হেল্দিয়র ফ্যুচর ফোর চিলদ্রেন হায়বসিনি।

কাংপোকপী জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি কাংপোকপীনা শিন্দুনা নেসনেল দিৱার্মিং ডে ২০২৫ গী অনিসুবা রাউন্দ ঙসি কৈথেলমানবী গভর্নমেন্ট হাইস্কুল কেম্পসতা হৌদোকখ্রে।

কামজোং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি কামজোংনা শিন্দুনা ঙসি নেসনেল মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রামগী মখাদা ষ্ট্রেস মেনেজমেন্ট ইন্তরভেন্সন প্রোগ্রাম অমসুং টি.বি লায়নাগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা জিলা অসিগী অৰুংতাংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সি.এম.ও কামজোং- পি.এস. লৈসিওন্না টি.বিনা নারবা মীওইশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

সেবা (এল)ঃ সি.বি.সি রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিন্দুনা স্বাচতা হি সেবাগী মতাংদা নোংমগী ওইবা অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা থৌবাল জিলাদা লৈবা ৱাইখোম মণি গার্লস কলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসার হঞ্জবম মনোরঞ্জন শর্ম্মনা উ থাবা মরুওইনা উহৈ পানবা উ চারা থাবগী মরুওইবা অমদি মসিনা তুংগী মীরোলদা নত্তনা অকোইবগী খলদা কান্নবা পীবগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ক্বিজ কম্পিতিসন অমসু পাঙথোকখি।

রিমস (এল)ঃ রিমস ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ মেদিসিনগী প্রোফেসার শলাম রনবির, ই.এস.আই টেক্সবুক ওফ এন্দো-ক্রাইনোলোজিদা কন্ত্রিব্যুট তৌবা অৱাং নোংপোক লমদমগী অহানবা অইবা ওইরে। এন্দোক্রাইন সোসাইতি ওফ ইন্দিয়ানা ভোল্যুম অনি য়াওবা লাইরিক অসিদা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা এন্দোক্রাইনোলোজিষ্টশিংগী আর্তিকল ফোংবদা মণিপুরগী প্রোফেসার রনবির সিংহগী আর্তিকল য়াওরকপনি।

লম্বী (এল)ঃ ককচিং জিলাগী মনুং চন্না পেবর ব্লোক টেকোলোজি শিজিন্নদুনা লম্বী শেমগৎলিবশিং এম.এল.এ- রামেশ্বরনা ঙসি চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম.এল.এনা হায়- হৌজিক লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎলিবা মফমশিং দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা কন্না হোৎনরি।

পিছ (এল)ঃ  পিছ য়ুনিতি ইন্তিগ্রিতি অংথা অমসুং ওল অংথা মৈরা পায়বীনা শিন দুনা ঙসি নোংমগী ওইবা এৱারনেস কম মেন্টেল হেলথ কেম্প অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অংথা মনিং লৈকাইদা লৈবা দব্লিউ.পি.সি গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি রিমস ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াত্রি অমসুং সিয়ার এন্দ কেয়ার ৱাংখৈগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা মেন্টেল হেলথকী মতাংদা মীয়ামদা ৱাফম কয়া থমখি।

নোং (এল)ঃ  ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ঙসি অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই হায়রি। বিভাগ অসিনা হায়- কেরলা, তামিলনাদু অমসুং করনাতক্কী মফম কয়াদা ঙসি অকনবা মওংদা নোং চুগনি। পুদুচেরি, অন্ধ্র প্রদেশ, লক্সদ্বিপকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা নোং কন্না চুখিগনি। বিভাগ অসিনা হায়- মণিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরম, ত্রিপুরা, তেলঙ্গনা, উরিষা, ছত্তিসগর, ঝারখন্দ, গোৱা, মহারাষ্ট্রগী মফম কয়াদা ঙসি নোং চুগনি।

পিএম ঃ    প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- য়ামা থোইদোক হেন্দোকপা মওংদা দিফেন্সকী সার্ভিস অহুম পন্না থবক তৌমিন্নবনা ওপরেসন শিন্দুরদা পাকিস্তানবু নমদুনা খুৎলায় থাদোকহনখিবনি। ভারত লান্মীগা চহি খুদিংগী দিৱালি পাঙথোকমিন্নবগুম শ্রী মোদিনা ঙসি গোৱা অমসুং কারৱারগী সমুদ্রদা আই.এন.এস বিক্রান্টতা নেভি পার্সোনেলশিংগী পুন্না দিৱালি পাংথোকখি।

শ্রী মোদিনা হায়- ভারত্তা ফংজবা মচাক মথুমতনা শাবা অহানবা এয়ারক্রাফট কেরিয়র আই.এন.এস বিক্রান্ট অসি ভারত লান্মীগী তৌবা ঙম্বা শক্তিগী থোইদোকপা মশক অমনি। মহাকা হায়- আই.এন.এস বিক্রান্ট অসি ইচম চম্বা লানগী জহাজ অমখক নত্তে, মসি ২১ শুবা চহি চাদা ভারতকী ফিরেপ অমসুং মালেমদা ঈথিল পীবা ঙম্বা অদুগী খুদম অমনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- আই.এন.এস বিক্রান্ট অসি আত্মা নিরভর ভারতকী চপ চাবা খুদম অমনি। সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী কৎথোকপা অমদি হনবা লৈত্রবা

থৌনাবু থাগৎলদুনা মহাকা হায়- মখোয়গী কৎথোকপা অমসুং থৌনা লিংজেলনা মাওইষ্ট তেরোরিজম মুখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

পিএমঃ কুম্মৈ মতম অসিদা লৈবাক অসিদা শাজবা পোখোকশিং লৈদুনা ভারত মচা কোতি ১৪০ গী হুমাং মমল খংনা কুম্মৈ পাঙথোকপীনবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা আপিল তৌরি। কুম্মৈ মতম অসিদা মীয়ামা মখোয় মখোয়না করি লৈরবগে হায়বদু সোসিয়েল মেদিয়াদা সেয়র তৌবীরকবসু শ্রী মোদিনা তকশিল্লি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- থৌওং অসিনা অতৈ মীয়ামদসু পুকিং থৌগৎকনি। মাই গোভ ইন্দিয়ানা থাগৎলকপা পোষ্ট অমগী পাউখুমদা ভারত্তা শাজবা পোৎলমশিং লৈবগী তঙাইফদবা অমসুং ‘গর্ভসে কহো য়ে স্বাদেসি হে’ হায়না পোঙনা লাউবগী তঙাইফদবসু শ্রী মোদিনা পনখি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবা ঙসি লোইশিনখ্রে। তাঙ্কক অসিদা জিলা ২০ হেনবগী সিট ১২২ দা নবেম্বর ১১ দা ভোৎ থাদনগনি।

হৌজিক ফাওবদা মীখল অসিগীদমক তোঙান তোঙানবা দলশিংদগী মীরেপচে পুন্না লিশিং ১,০৬৬ পীশিল্লকখ্রে।

মরক অসিদা অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে লৌথোকপগী মতম ঙসিনা লোইরে। মথং থাগী ৬ তা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা জিলা ১৮ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা ভোৎ থাদনগনি। বিহারগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ওফিসকী পাউ মতুংইন্না অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীরেপ লিশিং ১,৩৭৫ গী মীরেপচেশিং য়ারে। মসিগী মনুংদা নুপী মীরেপ ১৪৭ য়াওরি। মীরেপচে লৌথোকপগী মতম ঙসি লোইখ্রবা মতুং অহানবা তাঙ্কক্তা মীরেপ কয়ানা লম্বা তৌনগনি হায়বদু ময়েক শেংলগনি। ভোৎ মশিং নবেম্বর ১৪ দা থীগনি।

আর.জে.দিনা বিহার বিধান সভা মীখলগীদমক মীরেপ ১৪৩ গী মিং য়াওবা অহানবা লিষ্ট ফোংখ্রে। কংগ্রেনসু মীখল অসিগীদমক মখোয়গী

মীরেপশিংগী অহুমসুবা লিষ্ট ফোংলে। মসি থারগা কংগ্রেসনা মীখল অসিগীদমক মীরেপ ৫৯ থাগৎলি।

মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট হেক চৎনখিবদগী হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি ২৩ লাখ ৪১ রোমগী মমল ওইগদবা য়ু অমসুং লুপা কোতি ১৭ রোমগী মমল ওইগদবা ড্রগ অমসুং নার্কোটিক্স সবষ্টেন্স ফাগৎলে। মসিগী মথক্তা লুপা কোতি ১৪ লাখ ১৩ রোমগী মমল ওইগদবা ভোতরশিংদা পীনবা খুদোলপোৎশিং ফাগৎলে। হৌজিক ফাওবদা শেল ওইনা লুপা কোতি ৪ লাখ ১৯ লোম ফাগৎলে।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ মরিনিগী কেরলা খোঙচৎত হয়েংদগী হৌরগনি। রাষ্ট্রপতিনা তিরুভনন্থপুরমদা থুংগনি অমসুং লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সাবরিমালা মন্দিরদা চত্তুনা লাই খুরুমগনি। শগোলশেন নুমিৎতা রাষ্ট্রপতিনা তিরুভনন্থপুরমগী রাজ ভবনদা হান্নগী রাষ্ট্রপতি কে.আর. নরায়াননগী মীতম মায়খুম হাংদোক্কনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলোঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চত্থরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসন ককচিংনা নিউ ভিজন পোলো ক্লব য়াইরিপোকপু পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব-এ নোংমৈবুংনা য়ুনিভর্সিয়েল পোলো ক্লব-বি লাঙ্গোলবু পাঞ্জল ১৬-১ দা অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসন থৌবালনা কুম্বী দোনি কেয়ার সেন্তর কুম্বীবু পাঞ্জল ১২-২ দা থোইখ্রে।

ফূটবোলঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা ২২ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এস.এফ.সি শুগনুনা এল.এম.এল.সি.সি লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ফূটবোলঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২১ সুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.সি.সি. ককচিংনা য়ু.বি.এস.এ মনতকপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ আই.সি.সি. ৱিমেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা হৌজিক নবি মুম্বাইগী ডাঃ দি.ৱাই. পাতিল স্পোর্টস একাদমিদা শ্রীলঙ্কা অমসুং বঙ্গলাদেশ শান্নরি। তোস ঙমদুনা হান্না বেত্তিং তৌবদা ওভর ৪৮ বোল মরিদা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ২০২ লৌরে।

হয়েং নুংথিল পুং ৩ দা সাউথ আফ্রিকাগা পাকিস্তানগা শান্নগনি।

------